# সনালৈবাক স্পোর্টস

MONDAY, JANUARY 06, 2014, PAGE 7




*গৌতম গম্ভীরনা নেসনেল টিমদা য়াওদুনা নিউ জিলেন্দদা ইন্দিয়া টুরদা শরুক য়ারগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা*

*স্বিৎজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু মায়থিবা পীখিবা ললিটোন হিৱিটনা ব্রিজবেনি টাইটলগী ত্রোফি পায়দুনা পোজ তৌবা*



## হোকি ৱার্ল্ড লিগকী পুল বিদা লৈরিবা লৈবাকশিং নেদরলেন্দনা থেংননবা শেম শারে



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৫ঃ* ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিগী মেজর ধ্যনচান্দ নেস্নেল ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১০ দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক নিপানগী ওইবা হোকি ৱার্ল্ড লিগ ফাইনেলগী পুল বি দা লৈরিবা নেদরলেন্দনা পুল অসিগী লৈবাকশিং থেংননবা শেম শখ্রে।

লিগ অসিগী ওইনা নেদরলেন্দ, অর্জেন্টিনা, ওষ্ট্রেলিয়া অমদি বেলজিয়ম পুল বিদা লৈমিন্নরি। পুল এ দা য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়া, জর্মনি, ইংলেন্দ অমদি ন্যুজলেন্দ লৈমিন্নরি। ওলেম্পিককী সিলভর মেদালিষ্ট ওইখিবা নেদরলেন্দনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি হায়বসি মাংজৌননা টিম অসিগী কোচ পাউল ভেনসেসনা য়ানিংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা লাক্লিবা চেলেঞ্জ অসি মায়োক্লনবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

কোচ অসিনা মখা তারদুনা মথংগী ইরাই নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্কী শান্নরোইশিংনা ওপোনেন্ট টিমশিংবু লাকচনা থোইনবগী তোঙান তোঙানবা ফোর্মেসন শেমখ্রে।

টিম অসিনা মেটচ অহুম পুল বিদা শান্নগনি। অহানবা ওইনা অর্জেন্টিনাগা, অনিশুবদা ওষ্ট্রেলিয়াগা অমদি অহুমশুবদা বেলজিয়মগা শান্নগনি। লিগ অসিগী মেটচ অহুম অসিগী মনুংদা অর্জেন্টিনাগা শান্নগদৌরিবা অসি নত্তনা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি বেলজিয়মগা শান্নগদবা মেটচ অনি অসি য়াম্না টাইট ওইরক্কনি। মরমদি টিম অনি অসি অকনবা ঙাক্তনি। ঐখোয়না মখোয় থেংননবা কন্নবা হোৎনবা অমদি স্পিদ হেন্নবা হোৎনগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

টিমশিং অসি থেংনবা হায়বসি অরাইবা অমা নত্তে। ওলেম্পিক্কা য়েংনরুবদা হন্দক্কী অসিনা খরা লুশিনবা হেল্লি। পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক ৮ গী ওইবা হোকি টুর্নামেন্ট অসিদা ঐখোয়না টোপ ওইনবা হোৎনগনি। অদুম ওইনমক শান্নবা হায়বসিদি অশোক অপন কয়া অমসু থোরকপা য়াই। অদুবু কন্না হোৎনদুনা নিংথিনা শান্নদুনা লিগ অসিদা চেলেঞ্জ তৌদুনা শান্নবগা লোয়ননা মায় পাক্লবগী অচৌবা আশা অদুসু মাংদা থম্লি হায়খি।

টিম অসিগী কেপ্তেইন ওইরিবা রোবার্ট ভেন্দর হোর্টসনা ফোঙদোকখিবদা হোকিদা নেদরলেন্দনা টুর্নামেন্ট কয়াদা মায় পাক্তুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী সোইলদা শান্নবা অসিদা মখোয়না কন্না হোৎনদুনা অনৌবা এক্সপরিয়েন্সকা লোয়ননা লম্বা তৌগনি। মসিনা টিম অসিগী ওইনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা শান্নবা অসি ৪ রক শুবনি। মফম অসিদা শান্নবা অসি মখোয় নুংঙাই হায়খি।

মহাক্না মখা তরদুনা ৱার্ল্ডদা হোকি শান্নরিবা লৈবাক ৮ গী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকপসি য়াম্না নুংঙাই। অদুবু টুর্নামেন্ট অসিদা মখোয়না লৈবাক নিপাল অসিগী মকোক ওইবা অসি ঐখোয়গী অপাম্বনি। অহৌবা নুমিৎতা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা অমদি নেদরলেন্দগী অহানবা মেটচ ওইনা জনুৱারি ১০ দা অর্জেন্টিনাগা থেংনগনি।

## ভেনস ৱিলিয়মনা হোবার্ট ইন্টরনেস্নেলদগী ৱিদ্রো তৌখ্রে

*হোবার্ট, জনুৱারী ০৫ঃ* ভেনস ৱিল্লিয়মনা হোবার্ট ইন্টরনেসনেলদগী ৱিদ্রো তৌরগে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা মহাক অমুক হন্না শরুক য়ানবা মতম খরা পোত্থাবা পাম্মী হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ফোর্মর ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা ভেনস ৱিল্লিয়মনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ওকলেন্দ টুর্নামেন্ট লোয়রকপগা লোয়ননা মহাক মতম খরা পোত্থাবা পাম্বদগী হোবার্ট ইন্টরনেস্নেল টুর্নামেন্ট অসিদগী ৱিদ্রো তৌনিংবগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ভেনস ৱিল্লিয়মনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী চহি অসিগী ওইনা অহানবা টুর্নামেন্ট অমা শান্নরুরবা মতুংদা চয়োল খরা পোত্থাবা পাম্মী। মরম অদুনা হন্দক্কী চয়োলদা হৌগদৌরিবা হোবার্ট ইন্টরনেস্নেল টুর্নামেন্ট অসিদা ঐহাক নিংথিনা শান্নবা ঙম্লোইদৌরি।

ভেনসনা করিগুম্বা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা তারম্লগদি ইতালিগী ৬০ শুবা সিটতা লৈরিবা ফলভিয়া পেনেট্টাগা অহানবা রাউন্দদা থেংনগদবনি। মহাক্না চহি অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা টাসমনিয়াদা মহাক শোইদনা শরুক য়াগনি হায়নসু পনখি। মহাক্না মমাংদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবসি ইং ২০০৪ দনি। মহাক মশাগী চহি ১৯ খক্তা ঙাইহৌরিঙৈদগী টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াদুনা শান্নরকখি। মতম অদুদা মহাক্না ৱার্ল্ডগী টোপ ১০০ গী রেকোর্দ মনুং চনবা ঙমখি।

নিংশিংবা য়াই, চহি ২০ গী মমাংদা মহাক্না ৱুমেন্সকী সিঙ্গল টাইটল অসি য়ু এস ওপনদা অমুক লৌবা ঙমখ্রে। লোয়ননা অচৌবা টুর্নামেন্ট ৪ দসু মহাক্না টাইটল লৌবা ঙমখি। ভেনস অসি অষ্ট্রেলিয়ান টেনিসগী নুপী শান্নরোইশিংগী মনুংদা শিংথাবা য়াবা প্লেয়ার অমসু ওইখি। মহাক্না শান্নরিঙৈ মতমদা তোঙান তোঙানবা শান্নরোই কয়াদা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রে। চহি ১০ মুক্কী মমাংদা টেনিস হায়বা মশান্না অসিদা মহাক্না মহাক্কী ওইবা মফম অমা কনবা ঙল্লম্মী হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সিদনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিদা মহাক সমম্থাগা থেংননবা চার্টতা লৈ। অদুবু লৈরিবা চার্ট অসি মহাক্না হোংদোকপা পাম্বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।



## জ্বালা গুট্টাগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৫ঃ* বেটমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) গা জ্বালা গুট্টাগগী মরক্তা লৈরম্বা চয়েৎনবা কয়া অদু লোইশিনখ্রে। মহাক মথংগী চয়োলদা কোরিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগনি।

বেটমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা জ্বালা গুট্টাগী মথক্তা মপুন্সিচুপ্পগী ওইনা অথিংবা থল্লম্বা অদু হন্দোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াবগা লোয়ননা কোরিয়াদা মথং চয়োলদগী পাঙথোক্কদৌরিবা কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজদা শরুক য়ারগনি।

শান্নরোই অসি ইং ২০১০ দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা বেটমিন্টন মশান্নদা টাইটল লৌবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা শান্নরোইনি। মমাংগী হপ্তাদা দেল্লিদা পাঙথোকখিবা ৭৮ শুবা সেনিয়ার নেস্নেল চেম্পিয়নশিপ অদুগী মতুংদা জ্বালানা বেটমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা অখিলেস দাস গুপ্তগা উন্নরবা মতুংদা মহাক্কী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবা অদু লৌথোকখিবনি।

মহাক্কী মথক্তা থল্লম্লবা অথিংবা অদু লৌথোক্কুনা মহাকপু নেসনেলগী টিমদা অমুক হন্না য়াওহন্নবগীদমক বি এ আই না লৌরক্লিবা দিসিজন অসিদা শান্নরোই অসিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মহাক্না পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখিবদা বি এ আইনা মহাক্কী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং অসি লৌথোকপীবগা লোয়ননা মহাকপু ইন্দিয়া টিমদা অমুক হন্না কৌরকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই অমদি লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ কয়াদা শরুক য়ারগনি।

জ্বালানা মখা তারদুনা হায়, বি এ আইগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মুরলালিধরননা লুচিংবা দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা মহাকপু মপুন্সিচুপ্পা মশান্না অসিদগী থিংবা নত্রগা চহি ৬ মশান্না অসিদগী সস্পেন্দ তৌনবা রিকমেন্দ তৌরকখিবনি। মীওই অহুমনা শাবা কম্মিটি অদুনা বি এ আই অমদি মহাক্কী কেস অদু তারবা মতুংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা বি এ আইগী প্রসিদেন্টতা শিন্নরকখিবনি। মীওই অহুম্না শাবা কম্মিটি অদুগী মেম্বরশিং অদুদি ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি অনন্দেশ্বর পান্দে য়ু পি ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি দিপা মহেতা অমদি কম্মন ৱেলঠ গেম ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মীহুৎ স্বাতি শুক্লানি । কেস অসিগী মতাংদা কোর্টনা মহাকপু অমুক হন্না ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়ানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী থৌ পুরিবা জিটেন্দর সিংহদসু মহক্কী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসি মরম চাদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মহাকপু লাক্লিবা জনুৱারি ৭ তগী হৌগদৌরিবা কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজদা ইন্দিয়া টিমদা য়াওনবা অয়াবা পীবগা লোয়ননা জ্বালা অমদি কোনাপা শরুক য়ানবা খল্লকখিবনি হায়রি।



## গৌতম গম্ভীর য়াওগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৫ঃ* গৌতম গম্ভীরনা নেসনেল টিমদা য়াওদুনা নিউ জিলেন্দদা চৎকদৌরিবা ইন্দিয়া টুর অসিদা শরুক য়াগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

মশাগী চহি ৩১ শুরবা শান্নরোই অসিনা হৌজিক ফাওবদা রঞ্জি ত্রোফিদা লৌখিবা রন অসি ৫৭৮ নি। হন্দক্কী সিজন অসিগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌখিবা অসি রোশানারানা ১৫৩ লৌদুনা লৈরি। গৌতম গম্ভীরনা ফোঙদোকখিবা নিউ জলেন্দদা চৎকদৌরিবা ইন্দিয়া টিম অসিগী মীওই ১৬ নত্রগা ১৭ অসিদা মহাক য়াওরক্ত্রবদি চৎলিবা কাংবু লাইবক ফবা ওইরসনু হায়বা ৱাফমসু পনখি।

## গুরগাওন চেছ টুর্নামেন্টতা শান্নরোই অহুমনা লিদ তৌরি

*গুরগাওন, জনুৱারী ০৫ঃ* গুরগাওনদা চত্থরিবা অনিশুবা গুরগাওন ইন্টরনেসনেল গ্রান্দমাষ্টর চেছ টুর্নামেন্টকী মঙাশুবা রাউন্দ শান্নবা লোইখিবদা য়ুক্রেনগী গ্রান্দমাষ্টর কারভসিভ মার্টিন য়াওনা অতোপ্পা শান্নরোই অনিগনা হৌজিক ফাওবদা মাংজিল থাদুনা চৎলি ।

সনসিটি স্কুলদা চত্থরিবা চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী আশা তৌরিবা শান্নরোই সহাজ গোবরনা আই এম শ্যামনিকেলবু অদুগা ফিলিপেনগী গ্রান্দমাষ্টর ওলিভর বারবোসানা এস নিটিনবু থোইদুনা মাংজিল থানা চৎলি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা গ্রান্দমাষ্টর মার্টিননা অমুবা পায়দুনা শান্নবগা লোয়ননা রুই লোপেজ গেম অসিদা মহাক্কী লাম্বা তিলায়েভ উলুকবেকপু মুভ ৪৭ তা মায়থিবা পীখি। অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী সহাজনা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নখিবা মোর্দন বেনোনি গেমসতা মহাক্কী ওপোনেন্ট অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা মুভ ৭০ দা মায় পাকপগা লোয়ননা ফুল পোইন্ট ফংখি।

নুপী শান্নরোই অমা ওইরিবা মাষ্টর সর্ভিনোজ কুরুবোনবোভানা মরাট দঝুমভাবু মায়থিবা পীখ্রে। জোন পোল গোমেজনা এলদর গাসানোভাবু মায়থিবা পীখ্রে। ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বিসাখ এন আর অমদি সমির কথামালে মায় পাক্লিবশিংগী মনুংদা য়াওরি।

মরিশুবা রাউন্দ লোইখিবা ফাওবদা ইন্টরনেসনেল মাষ্টর ওইরিবা এস নিটিননা জোর্জিয়ানগী গ্রান্দমাষ্টর টোরনিকে সানিকিদজবু থোইখি। অদুগা য়ুক্রেসনগী গ্রান্দমাষ্টর ভেলেরি নেভোরোভনা অনিরুধ দাসপান্দেবু মায়থিবা পীখি।

তরুক শুবা রাউন্দদা টোপ সিটতা লৈরিবা মার্টিননা বারভোসনা নত্রগা গোরভেগা শান্নরবা য়াই। রুশিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অলেজেন্দর ইভদোকিমিভোনা ইন্দিয়াগী বিক্রমজিৎ সিংহবু মঙাশুবা রাউন্দদা মায়থিবা পীরমখিবনি। মখা তাবা মেটচ হয়েং স্কুল অসিমক্তদা শান্নগনি।

## ব্রেষ্ট ইন্দিজগী টিমদা শান্নরোই ৩ হাপচিনখ্রে

*নেলসন, জনুৱারী ০৫ঃ* ব্রেষ্ট ইন্দিজগী সেলেক্টরশিংনা নিউ জিলেন্দগা শান্নগদবা টি ২০ মেটচ অনিগীদমক শান্নরোই অহুম হাপচিনখ্রে।

নৌনা হাপচিল্লক্লবা শান্নরোইশিং অদুদি স্পিনর সমুয়েল ব্রেদ, ওল রাউন্দর এন্দ্রি রুসেল অমসুং ৱিকেট কিপর বেটচমেন এন্দ্রি ফ্লেটচরনি। মখোয় অহুম্বু টিম অসিদা হাপচিল্লক্লিবা অসি নিউ জিলেন্দদা চত্থরিবা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱান ডে সেরিজগী মেটচ ৫ শান্নগদবদা নিউ জিলেন্দনা মেটচ ২ থোইখিবা অদুগা টিম অসিনা অমখক মায় পাকপা অসিদগী সেলেক্টরনা মখোয়বু নিউ জিলেন্দদা লাক্লবা খঙহনখিবনি।

নিউ জিলেন্দনা ৱান ডে ইন্টরনেসনেল মেটচ অদু নিউ জিলেন্দগী মখুৎতা শুপ্নগী রন ৫৮ দা মায়থিখি। ওভর ৫০ গী মেটচ অদুদা মখোয়না হোস টিমনা থল্লল্লিবা টার্গেট অদু য়ৌদনা মায়থিবা নংখিবদগীনি।


ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) | 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) | 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) | 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) | 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) | 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) | 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) | 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) | 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) | 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) | 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) | 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) | 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H. (Catholic) | 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H. (St. Joseph) | 12th RANK | (87%) |
| Rebika Kh. (LFS) | 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj (St. Joseph) | 14th RANK | (86.6%) |
| Evylyn G. (NBS) | 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana (PS Ningthoukhong) | 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th. (NBS) | 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro (Heritage) | 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) | 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK. (Alpha BCI) | 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726


## হিৱিটনা রোজ ফেদররবু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*ব্রিজবেনি, জনুৱারী ০৫ঃ* ওষ্ট্রেলিয়াগী ললিটোন হিৱিটনা স্বিজরলেন্দগী জোজর ফেদররবু য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পীদুনা ব্রিজবেনি টাইটল লৌখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অসিনা ২০১০ দগী হৌজিক ফাওবদা লৌরকপা এ টি পি টুর গী ওইনা টাইটল লৌবা ২৯ শুবনি। ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা মহাক্না স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু অহানবা সেটতা য়াম্না লাকচনা ৬–১ দা মায়থিবা পীখি। অনিশুবা সেটতা রোজর ফেদররনা মহাকপু ৪–৬ তা মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা সেটদা মহাক্না ফেদররবু ৬–৩ দা অমুক হন্না মায়থিবা পীদুনা টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবনি।

সেট অহুম অসি শান্নবা লোইবদা পুং ২.০৭ চঙখি। হিৱিট ৱার্ল্ড নম্বর ৬০ দা লৈবা টেনিস শান্নরোই অমনি। ঙসিগী মায় পাকপা অসিগী মতুংদা মহাক্কী রেঙ্কিং অসি ৪৩ দা হাইগৎলগনি হায়বগী থাজবা থম্লি। জনুৱারি ১০ দা অষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ওইনা শান্নরোইশিংগী দ্রো তৌগদৌরিবা অসিদা মহাক কনা কনা মায়োক্লন্দগে হায়বদু খঙলগনি।

## সঞ্জু সামসনগী ইমুং মনুংনা রাহুল দ্রাভিদপু থাগৎলক্লি

*থিরুভনন্থপুরম, জনুৱারী ০৫ঃ* ক্রিকেটর সঞ্জু সামসনগী ইমুং মনুংনা মহাক্কী মচানুপা ক্রিকেটকী লমদা অফবা শান্নরোই অমা ওইনা হৌরকখিবসি ইন্দিয়াগী মতম অমগী কেপ্তেইন ওইরম্বা রাহুল দ্রাভিদকী মতেংননি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না অন্দর নাইন্তিন এসিয়ান কপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা পাকিস্থানবু মায়থিবা পীখিবা অসিদা মতম অমদা রাহুল দ্রাভিটনা লৌখিবা থৌদাং অদুগুম্না য়াম্না অথুবা মতমদা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবা অসিদগীনি। সঞ্জুগী মপা সামসন বিশ্বানাথন অসি দিল্লি পুলিসকী কন্সটেবল অমা ওইনা থবক তৌরম্মী। মহাক্না মহাক্কী মচানুপাবু থাগৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মতম অমগী কেপ্তেইন ওইরম্বা রাহুল দ্রাভিদসু থাগৎখি। মরমদি মহাক্কী মচানুপানা ফিল্ড মনুংদা লৌরিবা থৌদাং অয়াম্বা অসি দ্রাভিদনা ইন্দিয়াগীদমক লৌখিবা থৌদাং অদুগা চপ মান্নখি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। মহাক্কী মচানুপা অসি রাজস্থান রোয়েলদা য়াওদুনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগতা শরুক য়াদুনা দ্রাভিদকী মখাদা অহানবা ওইনা মেটচ শান্নবা ফংখি হায়না মহাক্কী অপোকপনা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহি ১৮ খক্তা ঙাইরিবা সঞ্জু হায়বা অসি মখোয়গী য়ুমদা কৌনবা মমিংনি। মহাক্না রাজস্থান রোয়েলদা য়াওদুনা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগতা শরুক য়াবা মতমদা বেষ্ট য়ং ক্রিকেটর এৱার্দ ফংখি। মহাক্কী ময়াম্বা সেলি সামসন অসিসু হৌজিক সেকেণ্ড ইয়ার তম্লিবা মহৈরোই অমা ওইবগা লোয়ননা কেরলা টিমদা য়াওদুনা অন্দর ২৫ টিমগী শান্নরোই অমা ওইরি।

মহাক্কী মচানুপা অসিনা হৌজিক মাংদা অচৌবা আশা কয়া থম্লি। সঞ্জু নোংমা নত্রগা নোংমদি ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা লৈবাক অসিগী অচৌবা মিংচৎ পুরকপদা মহাক্কীসু থৌদাং চাওনা য়ারক্কনি হায়বগী থাজবা অসি দিল্লি পুলিসতা কন্সটেবল ওইরম্বা মহাক্কী মপা বিশ্বানাথনা ফোঙদোকখি।

বিশ্বানাথনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মহাক্কী ইমুংদা মমিং লৈরবা ক্রিকেটর ২ লৈরকপা য়াই হায়বগী থাজবা থম্বগা লোয়ননা মখোয় অনিগী মনুংদা অমা নত্রগা অমা শোইদনমক ইন্দিয়াগী সেনিয়ার টিমদা শান্নরোই অমা ওইনা য়াওরক্কনি । মচা অনিগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না পাম্নরিবা সঞ্জু অসি হান্না ইন্দিয়াগী সেনিয়ার টিমদা খনখিবা য়াই হায়রি।



## পোরটো পোর্টুগিষ্ট কপকী ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রে

*লিজবোন, জনুৱারী ০৫ঃ* এফ সি পোরটোনা অটলেটটিকোবু ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বগা লোয়ননা টিম অসি পোরটুগিষ্ট কপগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি দ্রাগোন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বালিফায়িং মেটচ অুদা মখোয়না মখোয়গী ওপোনেন্ট টিম ওইরিবা অটলেটে টিকোবু য়াম্না লাকচনা মায়থিনা পীরমখিবনি। টিম অসিগী শান্নরোই সিভেষ্টর ভরেলানা ২৪ শুবা মিনিটতা এলিটকোগী গোল কিপর ফিলিপিবু কট তৌদুনা গোল চনখি। মখা তাবা মেটচগী ৩৭ শুবা মিনিটতা বিফোরনা টিম অসিগী অনিশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না পুশিল্লকপা গোল অমদা এটলিটটিকোগী দিফেন্দর মেরিন হেরিওনা থিংনবা হোৎনখি। মদুদগী থক্তোরকপা বোল অদুনা অতোপ্পা শান্নরোই অমদা পাল্লগা চঙখিদুনা ওন গোল ওইখি।

৩৯ শুবা মিনিটতা ভলেরানা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা টিমগী গোল হেনগৎহনখি। ভলেরানা অমুক্কসু ৭৩ শুবা মিনিটতা গোল ১ চন্দুনা ৪–০ দা লৈখি। অতোপ্পা গোল অনি অদুনা ওটামেনদি অমদি কেলভিননা ৭৬ শুবা অমদি ৯০ শুবা মিনিটনা চনখিবনি।